# শেল থুমগী ফিভম শোকচিল্লক্লে : সুর্জকুমার

ইম্ফাল,মার্চ ১(এস এন এস) ঃ

মণিপুরদা লৈরিবা শেল থুমগী ফিভম অসি য়াম্না মীপাইনিঙাই ওইবা ফিভমদা লৈরে হায়না এম এল এ ও সুর্জকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিদা দিমান্দ নম্বর–৫ ফাইনান্স খন্নবদা কট মোসন পুখৎলদুনা এম এল এ ও সুর্জকুমারনা হায়, ষ্টেট অসিদা লৈরিবা দিপার্টমেন্ট খুদিংমক্না ষ্টেট অসিগী শেল থুমগী ফিভম ফৎত্রে হায়না ফোঙদোক্লরিবনি।

ষ্টেট অসিদা লৈরিবা জি এস দি পি অসি নেসনেল এভরেজদগী হন্দুনা লৈরি। ষ্টেটকী ওইনা হৌজিক লৈরিবা জি এস দি পি অসি লুপা ক্রোর ২৮,৬৬৬নি। অদুগা ষ্টেটকী বদজেটনা লুপা ক্রোর ১৬,১১৭নি। ষ্টেটকী বদজেট অসি জি এস দি পিগী চাদ ৫৬ রোমনি। ষ্টেটকী বদজেটকী শেনফম অসিসু কুম ২০১৮–১৯ গী রিভাইজ এষ্টিমেটনা কুম ২০১৯–২০ গী বদজেট এষ্টিমেটতগী লুপা ক্রোর ৬৫২ হেনলিবনি।

ষ্টেট অসিদা স্পিসিয়েল কেটেগোরি ষ্টেট লৌথোকখিবা অসিনা হান্না ষ্টেটনা ফংলম্বা এন সি এ, এস পি এ, এস সি এচিংবা অসিদা ফংলম্বা শেনফম ষ্টেটনা মাঙলিবনি। মসিগী অহোবা অসি মেনখৎনবা তেক্স দিভোল্যুসন্দা চাদ ৩২ ওইরম্বদগী চাদ ৪২দা হেনগৎখিবা অসিনা মেনখৎপা ঙমগদৌরিব্রা হংখি।

লৈঙাক্না লমদম অসিগী রেভিন্যু খোমগৎনবগীদমক ষ্টেট লোটরিগী জি এস টি অসি হেনগৎহনবীগদৌরিব্রা হংখি। লোয়নননা মদুদগী শেনফম কয়া য়াম্না লাক্কনি হায়না পাবগে হংখি।

ষ্টেট অসিদা ৭ শুবা পে কম্মিসন চৎনহন্নবগী শেনফম বদজেটতা হাপ্লব্রা হংখি।

মদুগী পাউখুমদা ফাইনান্স মিনিষ্টরগী চার্জসু পুরিবা দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ৱাই জয়কুমারনা হায়, তেক্স দিভোল্যুসনদা চাদ ১০ হেনগৎখিবা অদু মপুং ওইনা স্পিসিয়েল কেটেগোরি ষ্টেটস ককখিবদগী মাঙজগদৌরিবা অসি কুপখৎনবা পান্দমদা চং শিনবনি। অদুবু মদু মেনখৎপা ঙমদবগী ফিভমদা লৈ। ষ্টেট অসিগী ওইনা লৈরিবা বদজেটকী ফিভম অসি লুপা ক্রোর ৩৫৯১ দিফিসিট তাবগী ফিভমদা লৈরি হায়খি।

মহাক্না হায়, ষ্টেট লোটরি অসি চথবা মতমদা জি এস টি দগী শেল অমত্তা ফংলোই। অদুবু মসিদা লাক্কনি হায়না পারিবা শেনফম অসিদি টকেট য়োনখত্তদগী লাক্কদবনি হায়খি।

---

# ‘এম জি এন আর ঈ জি এগী লুপা ক্রোর ৩২১.৯৩ থাদোক্লককখ্রে’

ইম্ফাল,মার্চ ১(এস এন এস)ঃ

শেনবা চহী ২০১৮–১৯গী চহী অসিগী ফেব্রুৱারি ২৬ ফাওবদা ষ্টেট অসিদা এম জি এন আর ঈ জি এগী লুপা ক্রোর ৩২১.৯৩ থাদোরকখ্রে। লোয়নননা শেনবা চহী ২০১৬–১৭ অমসুং ২০১৭–১৮গী ওইনা মথংশিংনা লুপা ক্রোর ৪১০.০১ অমসুং ক্রোর ২০৪.৮৩ থাদোরকখ্রে হায়না আর দি এন্দ পি আর মিনিষ্টর থোংঙাম বিশ্বজিৎনা এসেমব্লিগী হাউসতা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী ঙরাংগী ৱাহং পাউখুমগী মতমদা কোংগ্রেস এম এল এ সুরজকুমার ওক্রমনা হংলকপা ৱাহংগী পাউখুম পীরদুনা টি ঐচ বিশ্বজিৎনা হায়খি, প্রাইম মিনিষ্টরনা হৌদোকখিবা ফ্লেগসিপ প্রোগ্রাম এম জি এন আর ঈ জি এগী ষ্টেট অসিদা শেনবা চহী ২০১৬–১৭,২০১৭–১৮ অমসুং ২০১৮–১৯গী হৌজিক ফাওবদা য়ুমথোং খুদিংদা থবক পীবগী নুমিৎ মশীং অসি চাংচৎতা মথংশিংনা ২৩.০৮,১৪.৪৭ অমসুং ১৮.৪১নি। মমাঙ চহী–চহীগী পার্ফোমেন্স য়েংলগা এম জি এন আর ঈ জি এগী মথংগী লাক্কদবা চহীগী মেইন দেজ অসি লেপ্পনি।

অদুনা কুমজা ২০১৮–১৯দা খ্বাইদগী ৱার্স ওই হায়বসি লানগনি। ৱার্স ওইদে। মমাঙগী রেকোর্ডশিং য়েংবদা কুমজা ২০১৩–১৪দা ৩১১.০২ সি লেবর বদজেটতা পাস তৌরম্বনি। মসি মেইন দেজতা ওন্থোরকপদা ৬১ তাই। মসিদা এচিভ তৌখ্রিবসি ২৫ খক্তনি। অসুম্না ২০১৪–১৫গীসু ১৯৫.৮ এপ্রুভ লেবর বদজেটতা লৈবদা ৩৮ মেইন দেজ তাবদা ২২ খক এচিভ তৌই অমসুং কুমজা ২০১৫–১৬কী ২৪৫.৫৬ এপ্রুভ লেবর বদজেট লৈবদা ৪৬ মেইন দেজদা ১৬ খক্তমক এচিভ তৌই। লৈরিবা মমাঙগী চহীশিং য়েংবদা ২০১৩–১৪,২০১৪–১৫,২০১৫–১৬,২০১৬–১৭ অসিনা খ্বাইদগী ৱার্স ওই। ২০১৭–১৮দা ৱার্স ওইখিবা লৈতে। মতমদুদা চাংচৎতা ১২.৪৭ এচিভ তৌরিবসি ঈচাও হঞ্জিন–হঞ্জিন থোকপা,চীং নিংখাইবা,নোংলৈ–নুং শিৎনচিংবা লাকখিবা অদুনা থা ৫ রোম মীয়ামদা থবক শুহনবা ঙমখিদবনচিংবনি হায়খি।

ৱাহং পাউখুমগী মতম অদুদা এম এল এ, এল সুসিলদ্রো মৈতৈনা হংলকপা অতোপ্পা ৱা অমগী পাউখুম পীরদুনা ৱাটর রিছোর্স মিনিষ্টর লেটপাও হাওকিপনা হায়খি। খুরাই কোন্সম লৈকাইদগী পোরোম্পাৎ থৱানথাবা লৈকাই ফাওবদা পায়খৎলিবা পেমিখোং দ্রেনেজ সিষ্টেম অসিগী ইমপ্রুভমেন্ট ৱার্ক অসি লাইন দ্রেনগী অশাংবা ২০০০.০০ এম, অপাকপা ২.৮০ অমসুং অরুবান ২.২০ এম নি। অদুগা অনলাইন দ্রেনগী অশাংবা ৩৮০০ এম, অপাকপনা মকোক্তা ৫৪০ এম অদুগা মমৈদা ২.৮০ এম অমসুং অরুবনা ২.৬০নি হায়খি।

হায়রিবা থবক অসি ঈ–প্রোস্যুরমেন্ট / টেন্দরগী খুত্থাংদা কুমজা ২০১৮গী জুন ২৯দা পীখিবনি হায়খি।

তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টতা ইমপ্লোয় অমা ১১ কে ভিগী দ্রোপ আউট ফ্যুজ শেমজিল্লিঙৈদা মৈনা চিংবদগী লৈখিদ্রবা মীওই অদুগী ইমুং–মনুংদা এক্স–গ্রেসিয়া ওইনা লৈঙাক্না লুপা লাক্ষ ২ পীখ্রে হায়না পৱার মিনিষ্টর টি ঐচ বিশ্বজিৎনা এম এল এ,দি কোরুংথাংগী ৱাহংগী পাউখুম পীরদুনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়,লাইবক থিবা থৌদোক্তা লৈখিদ্রবা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টতগী মীওই অসিদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী এক্স–গ্রেসিয়া পীবদা নত্তনা ইমুং–মনুংগী মীওইদা গ্রুপ–দিগী থবক অমা পীনবা ষ্টেট কেবিনেটনা ৱারেপ লৌখিবা লৈরে। লোয়নননা ইমুং–মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

---

# পোখোক পুথোক্লিবা লৌমীশিংনা মার্কেটকী খুদোংচাদবা মায়োক্নরম্বদু কোকহল্লেঃ শ্যামকুমার

ইম্ফাল মার্চ ১(এস এন এস)ঃ ষ্টেটঅসিগী চীং অমসুং তমগী হোর্টিকলচরগী পোখোক পুথোক্লিবা লৌমীশিংনা য়োনফমগী খুদোংচাবা মায়োক্নরম্বা অদু ঙসিদি হোর্টিকলচর দিপার্টমেন্টনা হোৎনবদগী কোকহনবা ঙম্লে হায়না হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কনজার্বেসন মিনিষ্টর শ্যামকুমারনা এসেম্লীগী হাউসতা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী ঙসিগী সেসনদা দিমান্দ নম্বর ৪৩–হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জারবেসনগী খন্নবদা এম এল এ কে গোবিন্দাস অমসুং দি কোরুংথাংনা পুখৎলকপা কট মোসনগী পাউখুম পীরদুনা মিনিষ্টর টিঐচ শ্যামকুমারনা হায়খি, মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক্কী মফম খুদিংমক্তা দিপার্টমেন্ট অসিগী তোঙান–তোঙানবা ওফিসিয়েলশিংনা হকথেংননা চৎতুনা মফমদুদা পুথোক্লিবা হোর্টিকলচরগী পোখোকশিং য়েংশিল্লি। মতম খরগী মমাঙদা শিং য়োনফম, য়াইঙং য়োনফম লৈরমদবা, কীহোমগী য়োনফম লৈরমদবা ময়ামদুগী অৱাবা ঙসিদি দিপার্টমেন্ট অসিনা কোকহন্দুনা অচৌবা মায় পাকপা অমা ফংবা ঙম্লে।

ঙসি ঙসিমক হোর্টিকলচর অসি গ্লোবেল ইশু ওইরে। য়ু থকপা খক্তনা চাকখাও শোকপা, মীৎ শোকপা, দাইবেটিজ নাবা ওইরমদ্রে। তোঙান তোঙানবা কেমিকেল ফর্টিলাইজর য়াওবা চিঞ্জাক চাশিনবদগী মণিপুরদা লায়না কয়া নাহনবগী মচাক ওইহল্লকই। অদুনা দিপার্টমেন্ট অসিনা কন্না হোৎনবদগী চৎলিবা চহী অসিদগী মণিপুরদা ফংবা কিং চিল্লি, অতোপ্পা লৈবাকশিংদা য়োনবা ঙম্লে। লোয়নননা মণিপুরদা ফংবা শিং ইন্দিয়াগী অতোপ্পা ষ্টেটশিংদা য়োনবা হৌরে অমসুং দিমান্দ কয়া লৈরি। হায়রিবশিং অসি মণিপুর ওর্গানিক মেসন এজেন্সিনা ওর্গানিক ওইরবনি হায়দুনা সার্টিফাইদ তৌরবা পোখোকশিং অসি অতোপ্পা লৈবাকশিংদা দিমান্দ লৈনা য়োনবা ঙম্বনি। হোর্টিকলচর দিপার্টমেন্ট অসিগী সেন্টরনা স্পোন্সর তৌবা স্কীম এম আই দি ঐচ মখাদা ২০১৮–১৯গী মার্চ ফাওব শীজিন্নবা ক্রোর ৩৭ হাপ্পী। মসিগী মনুংদা গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা লুপা ক্রোর ১৫ অমদি লাখ ১৫ থাদোকপীরে। হায়রিবা শেনফম অসি গাইদলাইগী মতুংইন্না দিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক্তা য়েন্থোক্তুনা শীজিন্নরি। হৌজিক অতোপ্পা ক্রোর ২১ গুম্বা থাদোরক্কদবা ৱাংলি। মসিসু অথুবদা থাদোরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ। অদুনা ষ্টেট অসিগী হোর্টিকলচর দিপার্টমেন্টনা মণিপুরদগী হকচাংদা শোকলোইদবা মহৈ মরোং পুথোক্লবা হোৎনবা লেপত্রি হায়নসু মখা তাখি।

---

# লৈবাক অহুমদগী চঙশিল্লকপশিং সিটিজেন্সিপ পীনবা শেম্বা ওর্ডরশিং সুপ্রিম কোর্টতা শিংনরক্লে

গুৱাহাটি,মার্চ ১ (এজেন্সি)ঃ

বাংলাদেশ,পাকিস্তান অমদি অফগানিস্তানদগী ধর্ম্মদা য়ুম্ফম ওইরগা ইন্দিয়াদা চঙশিল্লকপশিং সিটিজেন্সিপ পীবা য়াহনবা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা শেম্বা অহুমগী লিগেল ভেলিদিটি শিংনদুনা সুপ্রিম কোর্টতা থারকপা পেটিসন অমগী মতাংদা কোর্টনা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টতা মখোয়গী ফিরেপ খঙহন্নবা নোটিশ পীখ্রে।

সেন্টরনা মখোয়গী পাউখুম চয়োল তরুক্কী মনুংদা পীখৎলক্কদবনি।

সুপ্রিম কোর্টকী চীফ জষ্টিস রঞ্জন গোগোই,জষ্টিস এল নাগেশ্বর রাও অমদি সঞ্জিব খান্না শাবা বেঞ্চ অমনা অসামগী হিরেন গোহাইননা লুচিংবা ফোরম এগেনষ্ট সিটিজেন্সিপ এক্ট এমেন্দমেন্ট বিলনা থারকপা পেটিসন অমা তারবা মতুংদা নোটিশ পীখ্রে।

সুপ্রিম কোর্টতা থারক্লিবা পেটিসন অদুনা পাস্পোর্ট (ইন্টরি ইনটু ইন্দিয়া)এমেন্দমেন্ট রূলস ২০১৫, ফোরেনরস (এমেন্দমেন্ট) ওর্ডর ২০১৫ এন্দ দিসেম্বর ২০১৬কী মখাদা য়ুমলোন্নরিবা লৈবাক অহুমদগী চঙশিল্লকপা মীওইশিং সিটিজেন্সিপকী ৱাফম অসি চৎনহনবীগনু হায়বনি।

পাস্পোর্ট (ইন্টরি ইনটু ইন্দিয়া) এমেন্দমেন্ট রূল ২০১৫গী মখাদা বাংলাদেশ,পাকিস্তান অমদি আফগানিস্তানদগী ধর্ম্মদা তাথি–তাওইনা তৌবদগী চঙশিল্লকপা হিন্দুশিং,সিখ,বুদ্ধিষ্ট,জৈন,পার্সি অমদি খৃষ্টানশিংনা ইন্দিয়াদা চঙলকপা মতমদা পাস্পোর্ট মথৌ তাহন্দে,ফোরেনরস (এমেন্দমেন্ট) ওর্ডর ২০১৫না হায়রিবনা লৈবাক অহুম অসিদগী ধর্ম্মগী মীওৎ–মীনৈগী মিংদা চঙশিল্লকপশিংদি আইন্না য়াদনা চঙশিল্লকপা ইলিগেল মাইগ্রেন্ট ওইনা লৌরোই হায়বসিনি।

অরোইবদা,হোম মিনিষ্ট্রিনা লৈবাক অসিগী দিষ্ট্রিক্ট ১৬কী দিপ্যুটি কম্মিস্নারশিংদা অসিগুম্বা মীওইশিং অসি সিটিজেন্সিপ পীবগী শক্তি পীখ্রবনি।

ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা থোকখ্রিবা ওর্ডর অহুম অসিনা সিটিজেন্সিপ এক্ট,১৯৫৫দা য়াওরিবা “ইলিগেল মাইগ্রেন্ট”গী অর্থ অদু চমম্নহল্লে। মসিগীসু মথক্তা পেটিসন অসিনা হায়রিবদি সিটিজন ওইবা নৎত্রগা সিটিজন ওইদবগী য়ুম্ফম ধর্ম্মনা ওইনা হায়বসি কন্সটিটুসনদা য়াওরিবা সেক্যুলরিজমগী ৱাফম অদু কন্ত্রাদিক্স তৌবনি হায়বসিনি।

পেটিস্নর মখা তানা সুপ্রিম কোর্টতা সবমিট তৌরিবা ৱাফম অমনা ওর্ডরশিং অসিনা মার্চ ২৪,১৯৭১গী মমাঙদা চঙলকপা মীওই পুন্নমক ইলিগেল মাইগ্রেন্ট ওইনা লৌগনি হায়বা অসাম একোর্ডকী য়ানখিবা ৱারোল অদু আর্থ থোকহন্দ্রে হায়বসিনি।

---

# নোংমৈ কাপ্পা রোমেস পুলিসনা...

*লমায় ১গী মখা* নোংমৈ পুথোক্লগা কাপ্পদা প্রিয়োচান্দদি পালহৌদনা মশাগী লোয়নবী অঙাং উন্নবগীদমক হোস্পিতালদা লাকখিবা হৈবোংপোকপী ময়াই লৈকাইদগী থৌদাম চীংলেম্বা মঙাং অপোকপা থৌদাম ইঙোচা কৌবা অমগী ওইথংবা খুত্তা পানখিবনি। নোংমৈ কাপথোক্লম্লবা মতুংদা রোমেস মফম অদু থাদোক্তুনা চেনখিবনি হায়খি।

থৌদোক অদুগা মরি লৈননা এস প্রিয়োচান্দনা লম্ফেল পুলিস ষ্টেসনগী ওফিসার ইন চার্জদা ঙরাংমক ৱাকৎলকপদগী পুলিসনা কেস অমা লৌখৎখিবনি।

থৌদোক অদুগী মতুং তারকপদা পুলিসনা রোমেসকী খোঙ্গুল লিবদা নুমিদাং পুং ১১ রোম তাবা মতমদা অৱাং এ ও সিদা লৈবা হোটেল ক্লাসিক মমাংদগী ফাগৎপা ঙমখি।

পুলিসনা ফাগৎপা মতমদা রোমেসতগী ১.২২ রিভোলভর অমা অমসুং কাপ্পা য়ারিবা মরু ৭ লোয়নননা কাপথোকখ্রবা তোক্লিং অমা লোয়নননা নোংমৈগী লাইসেন্স নম্বর ১৪৩। দি এম। ইম্ফাল ইষ্ট অমসু ফংখি।

অমরোমদা ঙরাং মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিদা পুথোকখিবা হৌখিবা ফেব্রুৱারি ২৭ তা জেনিমসতা ওপরেসন তৌদবগী মতাংদা হাউসতসু পুথোক্লখিবা ষ্টেরিলাইজ তৌবা ফি লৈতবনা ওপরেসন তৌখিদ্রে হায়বা ৱাফম অদুগী মতাংদসু চীফ মিনিষ্টরনা ষ্টেটমেন্ট পীখি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা ষ্টেটমেন্ট পীরুদুনা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হায়, জেনিমসতা থোকখিবা থৌদোক অদু নুমিৎ অদুদা হোস্পিতাল অসিদা অনাবা ১০ ইমর্জেন্সি ওপরেসন তৌনবা থৌরাং তৌখি।

নুমিৎ অদুদা ওপরেসন তৌখিদবা অনাবা অদু এপেন্সি–ক্সনা নাবা ওইবনা মহাক্না পাখত্তুনা ওপরেসন খর থুনা তৌবিয়ু হায়না ফোঙদোকখি। অদুবু ওপরেসন তৌগদবা মীওই পরেং লেঙলগা লৈবনা মরম ওইরগা মহাক মশানা দিসচার্জ তৌবিরো হায়বদগী হোস্পিতালদগী দিসচার্জ তৌখিবনি হায়না চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

অসিগুম্বা ৱাফম অসিনা ইন্সটিট্যুসন অমগী ইকাই ফিরুক খুম্নিংঙাই ওইবা ৱাফম ওইবনা মেদিয়ানা রিপোর্ট তৌবা মতমদা নাকল অনিগী পাউ লৌবিরগা ফোঙবীনবা জেনিমস সোসাইতিগী চ্যারমেনসু ওইরিবা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ফোঙদোকখি।

---

# সি এ বিল অমুক হন্না পুথোকহন্দনবা...

*লমায় ১গী মখা*

বিল অসি জুন ৩ ,২০১৯ দা এন দি এ লৈঙাক্কী মতম অসি লোইরগনি। বিল অদুসু লৈররোই। অদুবু য়ু পি এ লৈঙাক লাক্লবসু বিল অসি অমুক পুথোরকপা য়ারোই হায়না মদু মীখলগী মেনিফেষ্টোদা হাপকন্দবনি হায়না অৱাং নোংপোক্কী কোংগ্রেসকী লুচিংবা ময়াম্না এ আই সি সিগী প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধিদা তক্নরিবনি। মহাক্নসু মসি য়েং শিনগনি হায়হৌরিবনি।

কুম ২০১৯ দা এন দি এনা নৎত্রগা য়ু পি এনা পায়রকপদা মসিগা মান্নবা বিল অমা পুথোরকপা য়ারোই হায়না তকশিনবা চংই। হৌজিক বিল অসি লাপস চৎখ্রে হায়না লৌরবসু মীখলগী মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ট অসি লাক্ত্রিঙৈদা ওর্দিনান্স ওইনা কেবিনেট মীফম ফল্লগা চৎনহনবা য়াই। হান্না তৌরোই হায়রম্বা ত্রিপল তলাগ ওর্দিনান্স ওইনা চল্লাইবা হৌখিবনি।

পার্টি অমনবু ওইরবসু অমনবু ওইরবসু লৈঙাক পায়বা মতমদা বিল অসি অমুক হন্না পুথোকপীদনবা তকশিন্নবা ৱারেপ লৌসি হায়বনি। রিজোল্যুসন অসি লৌরগা সেন্টরদা খঙহনসি হায়বনি হায়খি।

মণিপুর পিপল বিল অদু বিল অসি হেক পাস তৌখিবদা লোইনমক বিল অসিনা সুপরসিদ তৌখিগদৌরিবনি। মরম অসিনা ষ্টেট অসিগী মীয়ামগী ইন্টরেষ্টতা, মীয়াম্না মীপায়রিবা অসি কোক্লবা ষ্টেটকী ওইবা ইশুদা হাউস অসিদা ফল্লিবা পুন্নমক্না ওপোজিসন রুলিং খায়দনা লেপ্লিবসিনি হায়দুনা থোইদোক্না কায়দে হায়না লৌই হায়খ।

বি জে পিগী নেসনেল প্রসিদেন্ট আমিট সাহনা অসামদা লাক্লগা এন দি এনা লৈঙাক অমুক পায়রক্লবদি বিল অসি শোয়দনা পুথোক্কনি হায়বদুনা মীয়ামদা মীপায়বা হেলহল্লে হায়খি।

ওপোজিসন অমসুং রুলিংগী ৱাফম তারবা তুংদা স্পিকর ৱাই খেমচান্দনা হিরম অসিগা মরি লৈননা লিগেল এক্সপার্টশিং য়াওনা হয়েংগী সেসনগী লঞ্চ ব্রেক্তা মখা তানা রুলিং অমসুং ওপোজিসনগী মীহুৎশিং পুন্না খন্নরগা মখা তানা খন্ননবা ৱাফম পুখৎলকপদগী নাকল অনিনসু অয়াবা পীখি।

---

# পাকিষ্টান্না ফাজিল্লুবা ৱিং কম্মান্দর...

*লমায় ১গী মখা* মেদিয়াদা থাদোরকপদগী ইন্দিয়াগী মীয়াম পুক্নীং ৱাখিবনি। ভিডিও অদু পাকিস্টাননা জিনেভা কনভেন্সনগী চৎন–কাঙলোনগী ৱাংমদা নম্বনি হায়না ইন্দিয়ানা মরাল শীরিবনি।

পাকিস্টানগী খুৎতা লৈরিবা ইন্দিয়ান এয়ারফোর্সকী পাইলোট অসিবু ইস্লামাবাদতগী লৌরুনবা অখন্নবা ইন্দিয়ান এয়ারফোর্সকী ফ্লাইট অমা থারক্লবা পাকিস্টানদা ন্যু দিল্লিনা হায়জবদা পাকিস্টানগী মায়কৈদগী ৱাফম অদু য়ারকখিদে হায়রি। ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী অভিনন্দনবু দিল্লিদা হকথেংননা পুরকপা পামখি হায়না পাউ অসিনা হায়।

---

# গাইনি ৱার্দতা চঙবা থিংলুবগী কাপশিল্লম্বদা...

*লমায় ১গী মখা* মতাংদা ঙরাং নুমীদাংগী হায়রিবা পুংফমসিদা গাইনি ৱার্দকী গেটতা দ্যুটি তাখিবা রিসমকী সেকুরিটি সোরোখাইবম প্রিয়োচান্দ (৩৫) অপোকপা লৈ–খদ্রবা বিহারিনা ফোংদোকরকপগী মতুংইন্না রিমস হোস্পিটালদা অনাবা হংবা লাকপগী মতম নুমীদাং পুং ৯ ফাওবনি। মরুওইনা গাইনি ৱর্দতদি মতম অসিদগী নুপা অমত্তা চংবা য়াদ্রবা মতমনি। থৌদোকসিদা চেন্নরিবা রোমেসনা ঙরাং নুমীদাং পুং ৯.৩০ রোম তারকপদা মহাক্কী লোয়নবী মেরিনাগা লোয়নননা গাইনি ৱার্দকী য়ুনিট–২গী কেবিন–১দা লৈদুনা লায়েংলিবী মেরিনাগী মচে শিংজমৈ চোংথাম লৈকায়দা লৈবী নিঙোম্বম শুজীতা (৪৮) মপুরোইবা উত্তমগী অনাবা হংবা লাকখি। গেটতা দ্যুটি তারিবা প্রিয়োচান্দনা নুপাদি চংবা য়ারোই হায়দুনা রোমেসপু চংবা থিংখি। মেরিনা মথন্তা চংহনখি। ঙাইহাক্কী মতুংদা রোমেসনা রিমসকী সর্জিকেল ৱার্দতা এতেন্দেন ওইনা থবক তৌবী লক্ষমী কৌবী নুপী অমা ফোন তৌদুনা কৌরগা মহাকসু চংনবা হোৎনবদা প্রিয়োচান্দগা ঙাইহাক ঙাংনরবা মতুং নমদুনা চংখি।

রোমেসনা ৱার্দতগী থোক্লক্লবা মতুং নোংমৈ মচা অমা শত্তোরক্লগা গেটতা দ্যুটি তৌরিবা প্রিয়োচন্দ তম্না মরু অমা কাপখি। তঞ্জাদুদা, লোয়নবী অঙাং উন্নবগী লৈরিবা থৌদাম চিংলেম্বনা গেট মনুংদা লৈবা মমাদা ঈশিং পিনবগীদমক মখুৎ থিংজিল্লকপা মপা চান্নবদগী চিংলেম্বগী ওইথংবা খুদাংদা পানখি। নোংমৈ মরু অদু চিংলেম্বগী খুদাংদা পল্লমদ্রবদি প্রিয়োচান্দকী থবাক্তা পানগনি হায়রি।

থৌদোক অদুগী পাউ হেক তাবগা ইম্ফাল ৱেষ্টকী এদিস্নেল এস পি (এল ও), এস দি পি ও অমসুং লম্ফেল পুলিসকী ও সি য়াওবা পুলিস টিম অমনা রোমেসপু ফানবগা থিবগা লোয়নননা তান্নরগা নোর্থ এ ও সিগী ক্লাসিক হোটেল মমাংদগী নুমীদাং পুং ১১.৩০ রোম তাবা মতমদা ফাখিবনি হায়রি। মহাক্কী মথক্তা লম্ফেল পি এসনা কেস অমা লৌখৎলে হায়রি।

থৌদোকসিদা শোক্লবা চিংলেম্বা হৌজিক রিমসকী ওর্থো ৱার্দতা লায়কন্নরি।

অমরোমদা, থৌদোকসিগা মরী লৈননা রিমসকী সেকুরিটি পার্সোনেলশিংনা, অহিং–নুংথিল খায়দনা মীয়ামগী সেবা তৌজরিবা সেকুরিটি পার্সোনেলশিংগী পুন্সিবু তেমশিংনগী থৌওং অসি মতুংদা অমুক হন্না চথবিগনু হায়না ফোংদোরক্লি।

---

# শান্নরোইশিংনা মণিপুরবু মালেমদা শক তাকই: জয়চন্দ্র

ইম্ফাল,মার্চ ১(এস এন এস)ঃ

লমদম অসিবু মশক তাকপদা শান্নরোইশিং অমসুং স্পোর্টসনা অচৌবা থৌদাং লৌই হায়না ইন্টরনেসনেল পিস এন্দ সোসিয়েল এদভান্সমেন্ট (আইপিএসএ) গী প্রসিদেন্ট জয়চন্দ্র কোন্থৌজম না হায়খ্রে।

ইম্ফাল ৱেষ্টকী মনুং চনবা কোন্থৌজমদা লৈবা ফ্রি প্রোগ্রেস একাদেমী গী ২৯শুবা এনুয়েল ইন্টর হাউস স্পোর্টস মিট–২০১৯ হৌদোকপগী থৌরমদা অথোইবা মীথুংলেনগী ৱারোল পীরদুনা জয়চন্দ্র না ৱাফমসি ফোঙদোকখিবনি।

কৌন্থৌজম কাংজৈবুংদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা জয়চন্দ্র না মখাতারদুনা হায়, মালেমগী ওইবা স্পোর্টস কী কম্পিটিসন্স কয়াদা মণিপুরী মচাশিং শরুক য়াখি। অদুগা হায়রিবা কম্পিটিসন্স অদুদা মণিপুরী মচানা লৈবাক্কী মীংচৎসু পুরকই।

মসিদসু নত্তনা, ইন্দিয়াগী ষ্টেটশিংগী অথোই–অহেন তান্নবদসু মীশিং য়ামজদবা মণিপুরনা ওভর ওল চেম্পিয়ন্সিপ ওইখিবা কয়ানি। স্পোর্টসকী ইভেন্ট খরাদা মণিপুরি মচাবু লাকনা–ফানবা লম্বা পানবা ঙমদবা মরমনা ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট অমদি মরুওইবা মীওই কয়ানা মণিপুরবু ইন্দিয়াগী স্পোর্টসকী পৱার হাউস নি হায়না ফোঙদোকখিবা লৈ। স্পোর্টস না হকচাং ফহনবদা নত্তনা দিসিপ্লিন অমসুং মোরেলিটি দিভলপ তৌহনলি। মহৈরোইশিংনা স্কুলিংগী মতমদা শান্ন–খোৎনবগী লমদা শান্নববু পার্টিসিপেট তৌগদবনি। নহা ওইরিঙৈগী মতম অসি খংনিংবা, তমনিংবা হিরম খুদিংমকপু কুরিয়া ওইবা মতমনি। অসিগুম্বা মতমদা খংখি হৈখিবা হিরমশিংদি কাওগনদে। লাইরিক তম্বদা থৱাই য়াওবা লোয়নননা শান্ন–খোৎনবদসু পুক্নিং চঙবা মহৈরোইদি অফবা মীশক ওইগনি।

মহাক্না মখাতারদুনা হায় ইনর্ফোমেসন টেক্নোলোজি (আইটি) অসি হৌজিক্কী মতমদা য়াম্না চাওখৎলৈ। ঙসিগী মোদর্ন ৱার্ল্ড দা স্মার্ট ফোন না কানবা ময়াম খুনাই অসিদা পী। অদুবু ইনখৎলক্লিবা নহাশিং অমসুং মহৈরোইশিংনা স্মার্ট ফোন অমদি ইন্টর্নেটপু লান্না শীজিন্নবদগী অরানবা লম্বীদা চৎখিবা য়াই। লাইরিক পাগদৌবা মতমদা লাইরিক পাবগী মহুৎতা স্মার্ট ফোন শান্নদুনা লৈবা অসি তৌবীগনু। মমা–মপা ওইবশিংনা মচাশিংবু মরম চাদনা স্মার্ট ফোন পায়হনবীগনু, গাড়ী লৈবীদনবসু অপিল তৌখি।

ফ্রি প্রোগ্রেস একাদেমি,কোন্থৌজমগী প্রিন্সিপাল এল ইন্দ্রকুমার অমদি সোসিয়েল ৱার্কর কে রাজেননা ইকাইখুম্নরবা মীথুং ওইনা রিটয়ার্দ হেদ মষ্টর, উৎলৌ হায়স্কুল কে খুঞ্জারাজ সিংহ না থৌরম মপু ওইখি।

---

# ‘এপ্লিকেসন ৩০২৯...

*লমায় ১গী মখা* মিনিষ্টরনা হায়, য়ুনিভর্সিটি অসি কুমজা ২০১৫ গী ওগষ্ট ২৫ দগী এক্ট অমগী মখাদা চল্লাইবা হৌখিবনি। ভি সি অমগী মতম অসি চহী অহুমনি। হান্নগী ভি সি অদুনা লৈঙাক্তা তান্নরমদনা ওর্দরশিং থোক্লম্বগা মরি লৈননা মহাক্কী মতমসু লোইশিল্লকদগী লৌথোকখিবনি।

লৈঙাক্না য়ুনিভর্সিটি অসিগী ওইবা রিগুলার ভি সি অমা হাপ্নবা ফিরেপ লৌরবনি। রিগুলার ভি সি হাপত্রিঙৈগী মাঙওইননা মতম খরা হাংদুনা লৈগদবা অদু য়েংলগা কম্মিস্নার আর্ট এন্দ কলচরদা ভি সিগী চার্জ অসি পুহনখিবনি হায়খি। লোয়নননা য়ুনিভর্সিটি অসিদা পোষ্ট গ্রেজুয়েট কোর্সকী সেসন অসি কুমজা ২০২০–২১ দগী হৌরগনি হায়না ফোঙদোকখি।

এম এল এ ও হেনরিনা হংলকপা অতোপ্পা ৱাহংগী পাউখুম পীরদুনা হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়ার মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা হায়, ষ্টেট অসিদা অনৌবা স্কিম ওইনা হৌদোকখিবা সি এম ঐচ টিগী মখাদা মীং চনলবা বিনিফিসিয়ারি মশীং অসি পুন্না ১,০৯,৫৬৭ নি মসিগী মনুংদা প্রধান মন্ত্রি জন অরোগ্য যোজনা (পি এম–জেই) লাকপদগী সোসিও ইকোনোমিক কাষ্ট সেন্সস,২০১১ দা চনবা ইমুং ৪৮,৮৯৬ অসি খায়দোকখ্রগা সি এম ঐচ টিগী মখাদা হৌজিক মীং চন্দুনা লৈরবা ইমুং অসি ৬০,৬৭১নি। স্কিম অসিগী খুদোংচাবা অসি লায়েংশঙদা লৈরবা অনাবশিংদা ওইনা খুদোংচাবা পীবনি হায়খি। স্কিম অসিগী মখাদা কুমজা ২০১৭–১৮ দা বদজেটতা লুপা ক্রোর ১০ হাপখি। লোয়নননা কুমজা ২০১৮–১৯ দা লুপা ক্রোর ২০ হাপ্পগী মনুংদা ক্রোর ১০ দি চৎখ্রে হায়খি। স্কিম অসিগী মখাদা মীওই ৮৩৫৯ কান্নবা ফংহনখ্রে হায়খি।

এম এল এ ও সুর্জকুমারনা হংলকপা ৱাহংগী পাউখুম পীরদুনা ভেটেরিনারি এন্দ এনিমেল হজবেন্দরি মিনিষ্টর ভি হঙ্খানলিয়াননা হায়, পোনি কঞ্জার্ভেসন পোলিসি চৎনহন্নবগী মতাংদা কুম ২০১৬কী দিসেম্বর ২৩ দা মণিপুর গেজেট নোটিফিকেসন থোক্তুনা চৎনবা হৌখ্রে।

পোলিসি অসি থবক্তা ওন্থোক্লবগীদমক কুমজা ২০১৮–১৯ দা বদজেটতা লুপা ক্রোর ২ হাপখি। অহানবগী ওইনা হৈঙাংদা পোনিশিংগী গ্রেজিং গ্রাউন্দ অমা থম্বগা লোয়নননা অতৈ মফমশিংদসু অহেনবা গ্রেজিং গ্রাউন্দশিং ষ্টেট লেভেল কম্মিতি ওন পোনি দিভলপমেন্ট এন্দ কঞ্জার্ভেসনগা তান্নরগা থমগনি হায়খি।

---

# ক্রোর ১.৫০গী দ্রগ এ আরনা ফারে

ইম্ফাল, মার্চ ১ঃ

চপ–চাবা পাউ ফংবদগী ২৬শুবা সেক্তর অসাম রাইফল তেংনৌপল বাতালিয়ননা খুদেংথাবী চেক পোষ্টতা মোরেরোমদগী থোরকখিবা সিলভর মচুগী জেষ্ট কার এম এন ০১জি–৬৯৪৭ অসি চেক তৌবদা লুপা ক্রোর ১.৫০ রোমগী ওইগদবা দব্লিউ ৱাই টেব্লেটা লোৎলগা পুরম্বদগী ফারে হায়না আই জি এ আর সাউথকী পি আর ওনা থাদোকরপা চেরোল অমনা হায়রি।

ফারবা দ্রগশিং অদুগা কোন্ননা গারী অদুবু থৌরকখিবা মোরে ঙমখায় ভেঙদগী জাংনৈলম (৩২) কৌবা মীওই অসি কষ্টম মোরে খুৎশিন্নখ্রে হায়না চেরোল অদুনা মখা তারি।

---

# কেস ২২২গী মনুংদা ১৩৮ পেন্দিং লৈরিঃ চীফ মিনিষ্টর

ইম্ফাল,মার্চ ১ (এস এন এস)ঃ

মণিপুরদা নুপীদা চথবা ক্রাইম ২২২গী মনুংদা কেস ১৩৮ পেন্দিং লৈরি হায়না চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ফোঙদোকখ্রে।

ঙরাং মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী পুলিসকী দিমান্দ খন্নবদা এম এল এ ও সুর্জকুমারনা পুখৎলকপা কট মোসনগী পাউখুমদা চীফ মিনিষ্টরনা হায়, লমদম অসিদা হেনগৎলক্লিবা ক্রাইম এগেনষ্ট ৱুমেনগী চাং অসি য়েংলগা লৈঙাক্না মদু থিংনবা থবক কয়া লৌখৎলক্লি। কুম ২০১৬ তা নুপীশিংদা চথবা ক্রাইমগা মরি লৈনবা কেস ৯৪, কুম ২০১৭ তা কেস ৬৯, কুম ২০১৮ দা কেস ৫৯ রেজিষ্টার তৌখি।

মসিগী মনুংদা কুম ২০১৬ তা কেস ২৩, কুম ২০১৭ তা কেস ১৪ অমসুং কুম ২০১৮ দা কেস ৫ চার্জসিট থাগৎখ্রে। লোয়নননা কুম ২০১৬ তা কেস ১৯, কুম ২০১৭ তা কেস ৭ অমসুং কুম ২০১৮ দা কেস ৬ ফাইনেল রিপোর্ট হনখ্রে।

হৌজিক হৌজিক পুন্না কেস ১৩৮ পেন্দিং লৈরি। পেন্দিং লৈরিবা কেসশিংগী মনুংদা কুম ২০১৬ তা কেস ৪২, কুম ২০১৭ তা কেস ৪৯ অমসুং কুম ২০১৮ দা কেস ৪৭ য়াওরি হায়খি।

নুপীশিংদা চথবা ক্রাইম অসি থেংননবা লৈঙাক অসিনা ক্রাইম এগেনষ্ট ৱুমেনগী ফাষ্ট ত্রেক কোর্ট অমা লিংখ্রে হায়খি।

---

# তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্ট ৬ মক সর্ভে লেন্দ ...

*লমায় ১গী মখা* রেজিষ্ট্রেসন ফি ওইনা খোমগৎপা অসিনা কুম ২০১৮গী জনুৱারি থাদগী দিসেম্বর ফাওবা অসিদা লুপা ১৩,৩৮,৬৪,০০০ খোমগৎখি। মসি থারগা দিপার্টমেন্ট অসিনা পুন্না লুপা ক্রোর ১৫.৫৭ খোমগৎপা ঙমখি।

দিপার্টমেন্ট অসিদা পুন্না সেঙ্কসন পোষ্ট ৩০৫৪ লৈবগী মনুংদা ষ্টাফ ১৯৫৫ খক্তমক লৈরি হৌজিক ফম ১০৯৯ হাংদুনা লৈরি। মসিদা এস দি সি ১৮০ তঙাইফদবদা হৌজিক রিগুলার ওইনা পুন্না পোষ্ট ৭৭খক লৈরি। এস দি সি পোষ্ট ১০৩ হাংদুনা লৈরি হায়রি।

দিপার্টমেন্ট অসিদা অরুবা কয়া লৈরি। এম এল আর এন্দ এল আর এক্ট অসি শেমদোক শেমজিন তৌবগী তঙাইফদবা লৈব্রা হায়না লৌই। হৌজিক মপানা মচাদা লম খায়দোকপা মতমদা গিফ দিদ ওইনা তৌবা অদু য়াদ্রে। মসি রেজিষ্ট্রেসন তৌদবা য়ারক্ত্রে।

মহাক্কী ফংফম থোকপা অদু ফংবদা লৈঙাক্তা শেল থিদ্রবদি য়াদবগী ফিভমদা লৈরে। লম ক্লাসিফিসিকেসন চেঞ্জ তৌবদা ইং ২০১৪গী এম এল আর অমসুং এল আর এক্টকী মখাদা অরুবা লৈরে।

মিনিষ্টরনা এম এল এ এন লোকেননা পু–খৎলকপা ৱাফমকী পাউখুম পীরদুনা হায়, সেরিকলচর দিপার্টমেন্টতা লম একর ১৭.৭৪ একর অসি পীথোক–খ্রগা হৌজিক্লা অমুক বি দি ও ওফিস শানবা লম লৌশিনবগী ৱাফম অসি লাক্লি।

কুম ১৯৮৮গী জনুৱারি ১৪দা লম একর ২৭ পাক চাউবা লম অসি একর ১৭ না নাওরেমদা অদুগা একর ১০ পাক চাউবা অসিনা মাইবমদা লৈবনি। হায়রিবা লম অসিগী প্রিমিয়মনা লুপা ৬৮৩০ নি।

লম অসি এলোটমেন্ট পীবা তারবদি দি সিদা দিদ অমসুং রেজিষ্টেসন তৌবা চংই, পাট্টা শাফম থোকপনি। লোয়নননা তেক্স থিগদবনি। অদুবু মদুগী রেকোর্দ লৈতে হায়খি।

হায়রিবা লম অসিদগী নম্বোল অমসুং ওইনাম এ সিগী তাইনবা মফম অসিদা বি দি ও নম্বোলগী ওফিস শানবা লম একর ৫ পাক চাউবা লম অমা থিবনি। লোয়নননা পুসিলস আউট পোষ্ট অমসুং বেঙ্কনচিংবসু শানবা খন্নবনি।

নম্বোল এস দি ওগী ষ্টাফ ৫৪ লৈবদা কোংগ্রেস ওফিসকী কা অনিখক্তা নম্লগা এস দি ও, এস দি সি, এস দি সি হেদক্বার্টর অমসুং ইলেক্সন ষ্টাফশিং লৈরিবনি। মদুগী অচিনবা অদু য়েংলগা এস দি ও ওফিস অদু হোং দোকখিবনি।

লৈঙাক অসিনা অফবা থবক্তা পোপুলারিতি তানবা লৈতে। অদুবু লৈঙাক্না অফবা থবক খর তৌবদুদি মেদিয়াদা ফোঙদোকপদা কায়দে হায়খি।

কট মোসন অদু পুখৎলদুনা এম এল এ এন লোকেননা হান্নদগী সেরিকলচর দিপার্টমেন্টনা লৌদুনা লাকপা লম অমা রেভিন্যুনা বি দি ও ওফিস শানবগীদমক পীথোকপখিবা অসি করম তৌরিবনো হংখি।

এম এল এগী মায়কৈদগী নম্বোল এস দি ও ওফিস অসি কা মঙাদা রেন্টতা লৈরম্বদগী হৌজিক্না অতোপ্পা মফম অমদা হোংজিনখিবা অদুনা ভারাদা অহেনবা শেনফম চংহনগদৌরে হায়খি।

নম্বোল কেন্দ্রগী মনুং চনবা ,ইশোক চীংফুগী য়ুম ১১৫ অসি হান্না খুন্দারবসু মখোয়গী লম অদু এল্লোটমেন্ট পীরমদবা অদু য়েংশিনবীরগা পীবিবা য়ারোইদ্রা হায়খি।

---

# মীখল বোইকোট তৌরকপা...

*লমায় ১গী মখা* অচৌবা খোঙচৎ অমা চৎতুনা অকনবা খোঙজং চঙশিনখ্রবসু মতমদুগী পানখিবা কোংগ্রেস লৈঙাক্নসু করিসু তাবীদনা লৈখি। হৌজিক–হৌজিক লৈঙাক পায়রিবা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিগসু কয়ারক হন্না মীতৈ / মৈতৈবু সেদ্যুল ট্রাইব চন্নবগী তঙাই ফদবা অমদি চনবা য়াবগী মরম কয়াসু খঙহন্দুনা কয়ারক হন্না ফমিন্নদুনা ৱারী শান্নখ্রবসু ঙসি ফাওবা করিসু থওইদনা লৈরি। চপ–মান্নবা মতমদগী দিমান্দ অসিবু তাল্লকখিবা অসামগী ফুরুপ তরুক্তি রাজ্য সভানা এপ্রুভ তৌদুনা সেদ্যুল ট্রাইব ওনবা য়াবগী অয়াবা পীখ্রবনি। মসি ষ্টেট অদুগী লৈঙাক্না চপ–চাবা ফিরেপ লৌদুনা সেন্টরদা খঙহবদগীনি।

লাইবক থিবদি ঐখোয়গী ষ্টেট অসিগী লৈঙাক্নদি থওইদনা লৈরিবসিনা ঈহৌ চঙশিল্লিবশিংবু অকনবা ঈহৌ লাক্লুবা তৌবনি। থা অসিগী ৩দা মীয়ামগী অচৌবা খোঙচৎ চৎনবা শেম–শাবা লোইরে। খোঙচৎ অসি থাও গ্রাউন্দদগী হৌরগা মপান কাঙজেবুঙ ফাওবা চৎকনি। মীয়ামগী অচৌবা খোঙচৎ অসি হন্দক্কীসিনা অনীরকশুবনি।

মীয়ামগী খোল্লাউ অসিবু তাবীদনা লৈঙাক্না তুমিন্না লৈশিল্লবদি লাক্কদৌরিবা লোক সভা ইলেক্সন অসিদা তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্ট তরুক্কী মীয়ামদা ভোট থাদনবগী কেম্পেইন চঙশিনবগা লোয়নননা লমদম অসিগীদমক খন্দবা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী মথক্তা বোইকোট থমদুনা অকনবা খোঙজং চঙশিন্নবা খন্নরে।

মরম অদুনা মণিপুর লৈঙাক্না লাক্কদৌরিবা ইলেক্সন অসিগী কোদ ওফ কন্দক মমাঙদা লৈঙাক্কী চপ–চাবা ফিরেপ অমা লৌবীদুনা সেন্টরদা খঙহনবিয়ু। লোয়নননা মার্চ ৩দা চৎকদৌরিবা মীয়ামগী খোঙচৎ অসিদা লমদমসিগী মীপুম খুদিংমক্না শরুক য়াবিয়ু। লেল্লি অসিদা শীজিন্নবা গাড়ী ১৫০০ থৌরাং তৌদুনা লৈরে। খোঙচৎ অসিদা শরুক য়াবীনিংবশিংনা ফোন নম্বর ৮৪১৩০২৮৭৮৩ / ৯৪৩৬২৭১৯৮৬ / ৮৭৮৭৪৪৩৫৪৩ অসিদগী অকুপ্পা খঙবীবা য়াগনি। ইশা–ইশাগী তৌফম থোকপা থৌদাং খনবীদুনা খোঙচৎ অসিদা শরুক য়াবিয়ু হায়রি।